# লোক সভানা জি এস টি বিল পাস তৌখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :

রাজ্য সভানা রেকমেন্দ তৌরকখিবা জি এস টি এমেন্দমেন্ট বিল লোক সভানা ঙসি মোত অমত্তা ওইনা পাস তৌখ্রে।

হাউসতা মীফম য়াওখিবা মেম্বর ৪৪৩ মক্লা অয়াবা পীদুনা বিল অদু পাস তৌখিবনি। এ আই এ দি এম কে খক নত্তনা অতৈ পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্লা জি এস টি কন্সটিট্যুসন এমেন্দমেন্ট বিল শৌগৎখি অদুবু ইনফ্লেসনগী চাং হন্থহনবগা লোয়ননা টেক্স রেট লেপ্পদা ষ্টেটশিংবু মরুওইবা থৌদাং লৌহনগদবনি হায়না মেম্বর অয়াম্বনা ফোঙদোকখি।

বিল অসি কুমজা ২০১৫ গী মে দা লোক সভানা পাস তৌবা লৈখ্রবনি। অদুবু মমাঙ চয়োলদা রাজ্য সভানা খরা শেমদোক শেমজিন তৌখিবা মরম্না লোক সভাদা অমুক হন্না পুখৎলকখিবনি। লাৱর হাউসতা বিল অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খি, জি এস টি রেজিম চৎনহনবা হায়বসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক্কী মায়পাকপনি। বি জে পী নৎত্রগা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তগী মায় পাকপনি হায়না লৌবা য়াদে।

কোংগ্রেস অমদি অতৈ পোলিটিকেল পার্টিশিংবু বিল অসি সপোর্ট তৌরকপগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা প্রাইম মিনিষ্টরনা হায়খি, মীপুম খুদিংমক্লা পার্টিগী খেন্নবা থাদোক্লগা লৈবাক্কী ৱাফম্না মাঙদা থম্লগা জি এস টি বিল শৌগৎলকখিবগীদমক থাগৎপা ফোঙদোক্লি। হৌজিক্তি লৈবাক্কী মফম পুন্নমক্তা জি এস টি রেজিম চৎনহনবা ঙম্লগনি। মসিনা টেক্স থীদবা মীওইশিং লাকশিনবগা লোয়ননা টেক্স টেররিজম মায়োক্নবা ঙম্লগনি। ইন দাইরেক্ট ওইনা টেক্স লৌবগী মওংদা চৎনগদৌরিবা অনৌবা থৌরাং অসিনা মরম ওইরগা কঞ্জুমর খুদিংমক অৱাংবা থাক্তা পুখৎপা ঙম্লগনি।

পার্লিয়ামেন্টনা জি এস টি এমেন্দমেন্ট বিল পাস তৌবা ঙমখিবা অসি পোলিটিকেল পার্টি নৎত্রগা গভর্নমেন্ট অমত্তগী মায় পাকপা নত্তে, মীপুম খুদিংমক্কী মায় পাকপনি হায়না লৌবা য়াই। রাজ্য সভানা মমাঙ চয়োলদা পাস তৌখিবা এমেন্দমেন্ট বিল অসি লাৱর হাউসতা পুখৎলকপা মতমদা হাউসকী মীফমদা শরুক য়াখিবা মেম্বর ৪৪৩ মক্লা শৌগৎতুনা পাস তৌখি।

লোক সভানা জি এস টি বিল পাস তৌখিবগী থৌওংবু থাগৎপা ফোঙদোক্লদুনা সী আই আইগী দিরেক্তর জেনরল চন্দ্রজিৎ বেনরজিনা হায়খি, পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্লা বিল অসি পাস তৌখ্রবনিনা মথং চহীগী এপ্রিল ১ দগী লৈবাক অসিগী মফম পুন্নমক্তা জি এস টি রেজিম চৎনহনবা ঙম্লগনি। মসিনা মীপুম খুদিংমক্তা চাওনা কান্নবা পীবগা লোয়ননা লৈবাক্কী গ্রোস দোমেষ্টিক প্রদক্ট (জি দি টি) হেনগৎহল্লগনি।

অদুম ওইনমক পার্লিয়ামেন্টনা পাস তৌখ্রবা বিল অসি থবক্তা ওন্থোক্নবগীদমক নুমিৎ ৩০ নিগী মনুংদা ষ্টেট ১৬ না অয়াবা পীবগী মথৌ তারি। এসোসিয়েটেদ চেম্বর ওফ কম্মর্সকী সেক্রেটরি জেনরল দি এস রাৱটনসু বিল অসি পাস তৌখিবদা হরাওবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মথং চহীদগী শোয়দনা চৎনহনবা ঙম্লগনি হায়না থাজবা ফোঙদোকখি।

বিল অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হায়খিবনি মদুদি মমাঙগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহ অমসুং কোংগ্রেস প্রসিদেন্ট সোনিয়া গান্ধীগা কুপ্না খন্নরবা মতুংদা বিল অসি পুখৎখিবা মরম্না অথুবা মতমদা ষ্টেটশিংনসু বিল অসি অয়াবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। পার্টি খেন্নবগী ৱাফম তুংওইনরম্লগা লৈবাক্কী ৱাফম্না মাঙদা থাদুনা বিল অসি পাস তৌনবা হোৎনবদা সপোর্ট তৌরকখিবদগীদমক তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংবু প্রাইম মিনিষ্টরনা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

# কাশ্মিরগী মতাংদা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মীফম পাঙথোক্নবা কোংগ্রেসনা তকশিনখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :

রাজ্য সভাদা ঙসি ওপোজিসন মেম্বরশিংনা জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা থোক্লিবা থৌদোক্কী মতাংদা খন্নগদবনি হায়না তকশিল্লকখিবগা লোয়ননা হীরম অসিগা মরী লৈননা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী ওইবা মীফম অমা পাঙথোক্কদবনি হায়না ফোঙদোকখ্রে।

রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লীদর ওইরিবা ঘুলাম নবি অজাদনা হায়খি জম্মু এন্দ কাশ্মিরদা কর্ফিয়ুগী অথিংবা থম্লকপা নুমিৎ ৩০ নি শুরক্লে। লৈবাক অসিনা নীংতম্বা ফংলবা মতুংদা মতৌ অসুম্না থা অমা কর্ফিয়ু থম্বা মমাঙদা অমুক্তা য়াওখিদ্রি। মসিদা গভর্নমেন্ট, মরুওইনা প্রাইম মিনিষ্টরনা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী থৌওং অসি চুমদে।

ৱাথোক অসিগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা অখন্নবা থৌরাং খরা লৌখৎফম থোকই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অথুবা মতমদা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্কী মীফম অমা কৌদুনা ৱাথোক অসিগী মতাংদা খন্নফম থোকই। পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎ কাঙবু অমা কাশ্মিরদা থাদুনা মফম অদুদা থোক্লিবা থৌদোক পুন্নমক ময়েক শেংনা য়েংশিনহনগদবনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামদা পেলেট গন শীজিন্নখিবগী থৌওংবু কম্যুনিষ্টি পার্টি ওফ ইন্দিয়া-মাক্সিষ্ট (সী পী আই এম) গী লুচিংবা সীতারাম য়েচুরিনা য়ানিংদবা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, ষ্টেট অমদা নুমিৎ ৩০ নি কর্ফিয়ু থম্লবা ফাওবা তুমিন্না য়েংদুনা লৈবগী থৌওং অসি য়ানিংদে। ইচম চম্না খোঙজং চঙশিল্লকখিবা মীয়ামদা পেলেট গন শীজিন্নখিবগী থৌওং অদুসু কন্দেম তৌফম থোকই। পুন্নমক অসি উনা উনা খঙশিন্নদবা শাদুনা লৈথোকপগীদমক গভর্নমেন্টপু মহাক্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পী আই) গী লুচিংবা দি রাজানসু পেলেট গন শীজিন্নবা খুদক্তা লেপকদবনি হায়না ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, মালেমগী মফম অমত্তদা অসিগুম্বা থৌওং অসি চৎনদে। তমথিরে হায়রিবা ইজরেলি লান্মীশিংনা ফাওবা পেলেষ্টিনিয়নশিংগী মায়োক্তা পেলেট গন শীজিন্নদে।

সমাজৱাদি পার্টিগী মেম্বর নিরাজ সেখরনা হায়খি মদুদি কাশ্মিরদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা মীয়ামগী খোঙজং নমথনবগী মীংদা হাৎখিবা মীওইশিং অদু ইন্দিয়া মচা নত্তবরা। ইন্দিয়নশিংদা শা-ষন হাৎপগুম চথখিবা থৌওং অদু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌফম থোকই। পুন্নমক অসি উরবা ফাওবা প্রাইম মিনিষ্টর নৎত্রগা হোম মিনিষ্টরনা তুমিন্না লৈথোকপগী মরম অমা শোয়দনা লৈফম থোকই।

ৱাফম অদুগী পাউখুমদা পার্লিয়ামেন্টরি এফেয়ার্স মিনিষ্টর মুখতার অব্বাস নকবিনা হায়খি, গভর্নমেন্টনা কাশ্মিরগী মতাংদা দিবেট তৌনবা শেম শাদুনা লৈরে। কাশ্মিরদা মতম চুপ্পগী ওইনা ঈং তপ্পা ফীভম লৈহনবা হায়বসি গভর্নমেন্টকী অপাম্বনি। মপানগী খুৎ চঙলক্তুনা ষ্টেট অসিদা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎপগা লোয়ননা ঈং তপ্পা ফীভম কায়হন্নবা হোৎনরকপনি হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী চীফ মিনিষ্টর মেহবুবা মুফটিনা হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহ উন্নদুনা কাশ্মিরগী মতাংদা কুপ্না খন্নখ্রে। হৌখিবা জুলাই ৮ দা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর বুরহান ৱানি লৈখিদ্রবা মতুংদা হৌরকখিবা মীয়ামগী ঈহৌ অসি মতৌ করম্না নমথগদগে হায়বগী মতাংদা রাজনাথ সিংহনা অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা পাঙথোক্তুনা খন্ন নৈনখি। মীফম অদুদা দিফেন্স মিনিষ্টর মনোহর পরিকার, প্রাইম মিনিষ্টর্স ওফিসকী মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট জিতেন্দ্র সিংহ অমদি নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অজিট দোবালনচিংবা মীওই কয়া শরুক য়াখি।



# চাইনাগা লোন্নবা ঙমখৈদা আউটপোষ্ট ৫৪ হাংদোক্কদৌরি

ইটানগর, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :

অরুনাচল প্রদেশ অমসুং ইন্দো-চাইনা বোর্দরদা সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহন্নবগীদমক ঙমখৈদা বোর্দর আউটপোষ্ট ৫৪ হাংদোকপগী ৱাফম ইন্দো-টিবেটান বোর্দর পুলিস (আই টি বি পি) না পুখৎখ্রে।

নোর্থ ইষ্ট ফ্রন্টিয়র হেদ ক্বার্টর্সকী ইন-চার্জ ওইরিবা আই টি বি পিগী ইন্সপেক্তর জেনরল মনোজ সিংহ রাৱটনা চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দু উন্নদুনা হীরম অসিগী মতাংদা ৱারী শানখি। বোর্দরদা অনৌবা আউটপোষ্ট ৫৪ হাংদোকপগা লোয়ননা ইটানগরগী হোলোঙ্গী এরিয়াদা আই টি বি পিগী বট্টালিয়ন অমা থম্নবগী মতাংদসু ইন্সপেক্তর জেনরল মনোজ সিংহ রাৱটনা চীফ মিনিষ্টরদা পুখৎখি হায়রি।

মেঘালয়াগী শিলোং অমদি অসামগী টেজপুরদা আই টি বি পিগী কমান্দ সেন্তর থম্বগী মহুৎতা অরুনাচল প্রদেশতা ওইনা লৈহন্নবগী পান্দমদা ৱাফম অসি পুখৎখিবনি হায়রি।

আই টি বি পিনা ঙমখৈ ঙাকপগী থৌদাং লৌবগা লোয়ননা গভর্নমেন্টকী মরুওইবা লোইশঙ অমদি ইন্সটিট্যুসন পুন্নমক ঙাকপগী থৌদাংসু লৌরগনি হায়রি। চীফ মিনিষ্টর পেমা খন্দুনা ৱাফম অদু কুপ্না তারবা মতুংদা ষ্টেট গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী পাংবা য়াবা মতেং পাংগনি হায়না থাজবা পীখি। আই টি বি পিনা অরুনাচল প্রদেশতা সিক্যুরিটিগী ফীভম ফগৎহনবগা লোয়ননা মহৌশাগী মাঙহন তাকহনবা থৌদোক থোক্লকপা মতমদা মীয়ামগী মতেং পাংখিবগীদমকসু চীফ মিনিষ্টরনা পেরামিলিটরি ফোর্স অসিবু থাগৎপা ফোঙদোকখি।

পনবা য়াবদি অরুনাচল প্রদেশ অমসুং চাইনাগী মরক্তা কিলোমিটর ১,০৩০ শাংবা ঙমখৈগী শরুক শম্বল খাবা ঙমদ্রিবনি। বৃটিশ ইন্দিয়া মতমদা শেম্লম্বা মেকমহোন লাইন হায়না খঙনবা লাইন ওফ একচুয়েল কন্ট্রোল (এল এ সী) না ইন্দিয়া অমসুং চাইনা খায়দোক্লি। আই টি বি পিনা ঙমখৈ ঙাকপগী মথক্তা লৈবাক্কী মরুওইবা ইন্সটোলেসন কয়াসু ঙাকপগী থৌদাং লৌদুনা লাকখিবনি। হন্দক্তসু পার্লিয়ামেন্টরি সিক্যুরিটি সর্ভিসেস (পি এস এস) না আই টি বি পিগী হূইশিংবু পার্লিয়ামেন্ট ঙাক শেনবগী থৌদাং লৌহন্নবা ৱাফম পুখৎলকপা লৈখ্রবনি। নীংথিনা তাকপী তম্বীরবা আই টি বি পিগী হূই শীজিন্নদুনা পার্লিয়ামেন্টতা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথুরকপা ঙমহন্দনবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়রি।

# স্বামী প্রসাদ মৌরয়া বি জেপিদা য়াওখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :

বহুজন সমাজ পার্টি (বি এস পি) গী এম এল এ ওইরম্বা স্বামী প্রসাদ মৌরয়ানা ঙসি মহাক্কী তুংইনবশিংগা লোয়ননা বি জে পীদা য়াওখ্রে।

বি এস পিগী জেনরল সেক্রেটরি ওইরম্বা মৌরয়ানা বি জে পিদা য়াওরকপগী থৌরম অদুদা বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিট শাহসু য়াওখি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মৌরয়ানা হায়খি, শোত্থনা লৈহৌরবা মীওইশিংগী য়াইফনবা থৌরাং লৌখৎপগা লোয়ননা পার্টিগী মপাঙ্গল কনখৎহন্নবা হোৎনরগনি।

বি এস পিগী লুচিংবী ময়াবতিনা মীখল মতমদা পার্টিগী টিকেট য়োনবগা লোয়ননা দলিট ফুরুপকী মীওইশিং হন্থবা থাক্তা থম্নবা হোৎনৈ হায়না মরাল শীরদুনা হৌখিবা জুন ২২ দা মৌরয়ানা পার্টি অসিদগী তোক্লকখিবনি। মতমদুদা মহাক উত্তর প্রদেশ এসেমব্লীদা ওপোজিসন লীদরগী ফম পায়রম্মী।

ঙসি অয়ুক মৌরয়ানা লৈবাক্কী কোনুং দিল্লিদা থুংলখিবগা লোয়ননা বি জে পিদা হৌনবী মতুং ইন্না য়াওখি। শিবপুরগী এম এল এ ওইরম্বা উদয় লাল অমদি হান্নগী এম এল এ কয়াসু মৌরয়াগা লোয়ননা বি জে পিদা চঙলকখি।

মৌরয়ানা বি জে পিদা চঙলকখিবা অসিনা নোংচুপথংবা উত্তর প্রদেশতা লৈরিবা খুশৱাহা-মৌরয়া কাঙলুপকী মীওইশিং পার্টি অসিদা চিংশিনবা ঙম্লগনি হায়না থাজনরি। কাঙলুপ অসি য়ু পিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ও বি সী কাঙলুপ অমা ওইরিবনি।

পনবা য়াবদি স্বামী প্রসাদ মৌরয়ানা মমাঙদা লোকতন্ত্রিক বহুজন মঞ্চ (এল বি এম) কৌবা পার্টি অমা লীংখৎতুনা সেপ্তেম্বর ২২ দা অচৌবা মীয়ামগী থৌরম অমা পাঙথোক্নবা থৌরাং তৌখিবনি। জুন থাদা বি এস পি থাদোরক্লবা মতুংদা মহাক্না পার্টি অসি লিংখৎতুনা মীখল থেংননবা থৌরাং ফাওবা লৌখৎলুরবনি।

# ভেনকায়া নাইদুনা পাউখুম পীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৮ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়াগী মথক্তা ন্যুক্লিয়র এটেক চথুগনি হায়না অকনবা ৱাফম থম্লকখিবা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী লুচিংবা সয়েদ সলাহুদ্দিনগী মফমদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ভেনকায়া নাইদুনা মতিক চাবা পাউখুম পীখ্রে।

নাইদুনা হায়খি, কাশ্মিরগী মতাংদা ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টানগী মরক্তা ন্যুক্লিয়রগী লান শোক্নরকপা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা সলাহুদ্দিন্না কাশ্মিরগী মরমদা ৱা ঙাঙবগী রাইট লৈতে। সয়েদ সলাহুদ্দিনগুম্বা টেররিষ্টশিং য়োকখৎতুনা থম্বগীদমক নাইদুনা পাকিষ্টানবুসু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হায়খি, হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী সয়েদ সলাহুদ্দিনগুম্বা মীওই কয়া পুক্লিং থৌগৎতুনা থম্লিবা পাকিষ্টানগী থৌওং অসি মালেমগী মীয়াম্না অয়াবা পীরোইদবনি।

পনবা য়াবদি কারাচিদা পাউমীশিংগা উন্নখিবা অমদা সলাহুদ্দিন্না হায়খিবনি মদুদি পাকিষ্টান্না কাশ্মির নীংতমহন্নবা হোৎনবদা মরুওইবা থৌদাং লৌফম থোকই। করিগুম্বা পাকিষ্টান্না কাশ্মিরদা নীংতম্বগী ঈহৌ হৌরিবা মীয়ামদা মতেং পাংলকপা থোক্লবদি য়ুমলোন্নবা লৈবাক অনীগী মরক্তা ন্যুক্লিয়রগী লাল শোক্নরকপা য়াই। কাশ্মিরগী মতাংদা ফীভম অমত্তদা মনতিক্নবা তৌরোই হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

## খৌনাও মনুংদা নাই চাবা, তিল শিংপা ঙমদবা, চাবা থকপা ঙমদবা ফহনবগী ওজা কয়ামুদ্দিন কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা থাগৎচরি



ঐগী হকচাংদা মতম শাংনা তোন্সিননা য়াম্না কন্না নাদুনা চাবা থকপা ঙমদবা, খৌনাও মনুংদা নাই চাবা, তিল শিংপা ঙমদবা, খৌনাও মরেং মরেং চৎপা, খৌনাও পোম্বা, ৱা ঙাংবা ঙমদবা তৌরম্বা অদু **এম ডি কয়ামুদ্দিন ফুন্দ্রেময়ুম ৮৫৭৫৮১৪৭২০, ৮৪১৩৮৭০০২৭** দা চত্তুনা লায়েংজরুবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিংদু মপুগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা **কয়ামুদ্দিন** কবিরাজবু হায়নিংঙাই লৈতনা হন্না হন্না থাগৎচরি।

**Mayang Imphal Bengoon Leirak Achouba Bazar : 7.00 am to 12.00 noon.**

**Hatta Minuthong Bazar : 1.00 pm to 5.00 pm**

*থাগৎচরিবা :* **Mutum Jarina Devi**
Kwakeithel

HL-B/3249/08/08-07/09

**IN THE COURT OF THE SUB : DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut Case No. 1086/SDC/IW-L/ 2016*

Kharaijam (O) Memcha Devi W/o (L) Irabot Singh of Khonghampat Mantri Leikai.
-Petitioner

-Vrs-

Late Kharaijam Irabot Singh S/o (L) Achou Singh of Khonghampat Mantri Leikai.
-O.P. Party

**NOTICE**

The 8/08/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার খরাইজম ইরাবোৎ সিংহ, পীং মৃঃ অচৌ সিংহ, সাং খোংহামপাৎ মন্ত্রি লৈকায়গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৪৫-কমেংগী অনৌবা পাট্টা নং ২৪৮, দাগ নং ১০৫৯ অমসুং এরিয়ানা মৃ: পাট্টাদারগী শরুক ০.৬১ চাওবা লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/9367/ 9

**IN THE COURT OF THE SUB : DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut Case No. 1083/SDC/IW-L/ 2016*

Thounaojam (O) Sanahanbi Devi W/o (L) Tomcha Singh of Naoremthong Khulem Leikai.
-Petitioner

-Vrs-

Late Thounaojam Tomcha Singh S/o Inakhunba Singh of Uripok Naoremthong Khulem Leikai.
-O.P. Party

**NOTICE**

The 6/08/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার থৌনাওজম তোমচা সিংহ, পীং মৃঃ ইনাকখুনবা সিংহ, সাং নাওরেমথোং খুলেম লৈকায়গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৯৫-তাওথোংগী অনৌবা পাট্টা নং ৯৪/৩২৪, দাগ নং ২৬৪/৪৭৪ অমসুং এরিয়ানা ১.২৫ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/9367/ 9

**IN THE COURT OF THE SUB : DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut Case No. 1094/SDC/IW-L/ 2016*

Huidrom Imo Singh S/o (L) Mohendro Singh of Yaiskul Chingakham Leirak.
-Petitioner

-Vrs-

Late Huidrom Mohendro Singh S/o Bira Singh of Moirangkhom Chingakham Leikai.
-O.P. Party

**NOTICE**

The 8/08/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার হুইদ্রোম মোহেন্দ্রো সিংহ, পীং মৃঃ বিরা সিংহ, সাং মোইরাংখোম চিংঙাখম লৈকায়গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং সাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ২৮৩/৩৩৯, দাগ নং ৪৬/৩৫২ অমসুং এরিয়ানা ২.৩৮ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা লৌফম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/9367/ 9

**IN THE COURT OF THE SUB : DEPUTY COLLECTOR: IW: LAMSANG**

*Ref:- Mut Case No. 1093/SDC/IW-L/ 2016*

Chanambam (O) Brojeshori Devi W/o (L) Nabachandra Singh of Lamdeng Khunou.
-Petitioner

-Vrs-

Late Chanambam Nabachandra Singh S/o Iboyaima Singh of Uripok Khoisnam Leikai A/P Lamdeng Khunou.
-O.P. Party

**NOTICE**

The 8/08/2016

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃঃ পাট্টাদার চনম্বম নবচন্দ্র সিংহ, পীং মৃঃ ইবোয়াইমা সিংহ, সাং উরিপোক খোইস্নাম লৈকায়গী মিংদা লৈবা ইঃ ওঃ তহশিলগী খুল নং ১০৫-লমদেং খুনৌগী অনৌবা পাট্টা নং ১৪/৪৮৮, দাগ নং ১১৯১/১৩২৯ অমসুং এরিয়ানা ০.১২৯ চাওবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবীনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউ-চে অসিনা ফোঙবা মতুং নুমিৎ ৭ নিগী মনুংদা ইঙ্খোল অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা আপতি তৌবীনিংলবদি তৌবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী আপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চত্থজরগনি।

*Sd-* **N. Shantabir Singh**
Sub-Deputy Collector IW: Lamsang

HL-P/9367/ 9

## আর্টিষ্ট খরা কৌজরি

ম্যুজিক ভিদিও এলবমদা শুটিং য়াওনিংবশিংদগী আর্টিষ্ট কৌজরি। মশাগী চহী ১৭ তগী ২৫ ফাওবগী মীওই ওইগদবনি। ফোর্ম ফংফম অমদি অকুপ্পা মরোল মখাগী ফোন নম্বর অসিদা কন্টেক্ট তৌবীরকউ।

*হায়জরিবা ঃ* **PRODUCER**

☎: 8575862917 / 8014084621

HL-P/9329/ 5,7&9

## লায়েংজরি UMA AYURVEDIC CLINIC (DR.(VAID) R N GUPTA)

উনশাগী লায়না, অঙৌবা পকপা, নুংশং, গ্যাষ্টিক, ফিনুংগী অনাবশিং, নাকোংগী প্রোব্লেম, শমগী প্রোব্লেম, তাং-তাং চিকপা অমসুং খ্বাং নাবা অসিনচিংবা অনাবশিং

**(অঙৌবা পকপা)**

হৌজিক অঙৌবা পকপগীদমক থোইদোক্লা ৱানিংঙাই লৈত্রে। অঙৌবা পকপশিংগীদমক্তা অফবা মখলগী হীদাকশিং শিজিন্নদুনা চাউনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। উনশাগী মহৌশাগী কুচু মাঙবা নৎত্রগা মখল খুদিংমক্কী উনশাগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। মায়হিং, স্কিন, অজমা, উরিং, মায় চাথৎপা স্কিন দিজিজ লায়েংজরি।

**(তাং-তাং চিকপা)**

তাং চিকপা, খ্বাং নাবা, খোঙ খুৎ শিথবা, মশল পাবা, খুৎ হায়গৎপা ঙমদবা, থবাক নাবা, মীহুন কা হেন্না চোংবা, থবাক খেবা, শ্বর ফুনবনচিংবগীদমক ৱাবীরুগনু য়াম্না থুনা উনবিয়ু তানবীয়ু।

**(দাইবেটিসকী প্রোব্লেম)**

দাইবেটিসকী সিমতোম লৈরবদি ৱেৎ হন্থরক্কনি। ফম্বী চাং হন্থরক্কনি, মপান তোয়না থোক্কনি, হকচাংগী পাঙ্গল শোন্থারক্কনি। হায়রিবা প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা লাকপীদুনা তানবীয়ু।

**(নুংশং)**

নুংশং, ঈ-তাবা, চাথৎপা, পোম্বা, হাকৎচবা, নুংশং কক্লাইনচিংবা নুংশংগী মখলশিং অসি ওপরেশন তৌদনা হীদাক শিজিন্নরগা পুংফ ফহনবা ঙম্লে।

**(গ্যাষ্টিক্কী প্রোব্লেম)**

পুক নুংশিৎ কাবা, চাব-থকপা তুমদবা, চানিং-থক্লিংবা পোক্তবা, পুক নাবা, খোঙ হাম্বা নুংঙাইতবা অসিগুম্বগী প্রোব্লেমশিং অসি লৈরবদি অথুবা মতমদা লাকপীদুনা তানবিয়ু।

**নুপা-নুপী অনীগী পুন্সি নুংঙাইনা লেনবা ওইবিয়ু**

**(নুপাগী প্রোব্লেম)**

ফম্বী পাবা, নুপাগী ফম্বী থুনা চৎকনবা, অহিংদা কছা চৎপা, ঈশিং চৎপা অমদি অমাংবগা লোয়ননা কছা চৎপা, ফিনুংদা হাক্কচবা, ফিনুংগী হকচাংগী শক্তি শোন্থবা তারবদি অথুবা মতমদা কন্টেক্ট তৌবিয়ু অমদি উনবিয়ু।

**(নুপীগী প্রোব্লেম)**

নুপীগী ফিঙৌ চৎপা, থাগী খোংকাপ চাং নাইদবা অদুগা চাং হেন্না নৎত্রগা ৱাৎনা চৎপা, মনম নমথিবা, হকচাং মনুংদা হাক্কচবা ফুরি থুংবা অমদি অতৈ লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে।

**(নাকোং অমসুং সাইনসকী প্রোব্লেম)**

না তাদবা নাকোংদা ঙংদুনা লৈবা, হান্না করিসু তৌরমদবা নাকোংদা তাবগী চাং হন্থরকপা অমসুং অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং ফহনবা ঙম্লে। সাইনসকী প্রোব্লেম, নাতোন ফুনবা, শ্বর হোনবদা ৱাবা, হকথি তোয়না খনবা, নপ মহী তাবা অসিনচিংবা তৌবিরবদি ঐখোয়গী ক্লিনিক্তা তানবীয়ু।

**(শমগী প্রোব্লেম)**

শম কেনবা, পোক হৌবা, শমজবী, চহী চাদনা নৌনা পোক হৌবা, কোক শাবা হাক্কচবা অসিনচিংবা লায়ওংশিং অসিগীসু অথুবা মতমদা তানবীয়ু।

**HOW TO GIVE UP WINE**

If you or your adict want to give up wine. If you want to return happiness in your family then please use our "VISH MUKTI" Powder. You can give it with meal, vegitables or tea without telling him.


**HOW TO CONTROL SUGAR LEVEL**

If you want to control diabeties, then please use our sugar nil. Your sugar level will be control very soon. You can give up insulin, price Rs. 210/-

**DR.(VAID) R N GUPTA (396),**
**Khuyathong Road, Kwality Wall Ice Cream Building 1st Floor, Opposite Senapati Bus Parking,**

HL-B/3238/3/08-2/09

## শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ



পুর্ব্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বাই পুন্নমকপু নাওয়োক নাওকোনবীরম্বী ইমা **শ্রীমতি পোৎশংবম ইঁবেতোন (পাতোম্বী) দেবী-**না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, শাগৈ-নাতৈ অমদি মরুপ-মপাং খ্বাই খিবিকপু থাদোক্লম্লগা, হৌখিবা তাং ১/০৮/২০১৬ ইং, ইঙেনগী ২৯ নি পানবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা বৃন্দাবনচন্দ্র চৈতৈন্য দাসি হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন প্রাপ্তি ওইখ্রে। লাক্লিবা তাং ৬/০৮/২০১৬ ইং, থৱানগী ৪ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা তাং ১৩/০৮/২০১৬ ইং, থৱানগী ১০ নি পানবা থাংজ নুমিত্তা শ্রাদ্ধ দিন থোক্লে। নুমিৎ অসিদা লৈখিদ্রবী ইমাগী আত্মা শান্তিগীদমক শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা ঙমজবা বস্তু খরদং হরি সঙ্কির্ত্তনগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি। উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্মণ-বৈষ্ণব, অহল-লমন, ইমা-ইবেল অমদি মরুপ-মপাং ঐখোয়নদি শক খঙজহৌদ্রবা খ্বাই খিবিক্লা মতম চানা লেঙবিরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবিরনবা পাউচেগী থোংদা পাওজেঞ্জরি।

*পাওজেঞ্জরিবা ঃ* **পোৎশংবম ব্রজানন্দ (তোম্বা) সিংহ** (মচানুপা)
**পোৎশংবম ওংবী প্রবিন (থোইবী)** (মমৌনুপী)

*সেবা ফংজরিবশিং ঃ* ১। পোৎশংবম ব্রজবিধু সিংহ (মচানুপা), ২। পোৎশংবম ওংবী লৈরেনতোম্বী (মমৌনুপী), ৩। পোৎশংবম নিংঙোল জাবোশখি দেবী (মচানুপী), ৪। পোৎশংবম নিংঙোল মাইপাকপী দেবী (মচানুপী), ৫। পোৎশংবম নিংঙোল কুলবতি দেবী (মচানুপী), ৬। পোৎশংবম নিংঙোল পিশকমচা দেবী (মচানুপী)।

**ক্বাকৈথেল দেৱান লৈকায়।**

HL-P/9357/ 8&9

**CAS Medical & Engineering**

An Institute Collaborated with ENRICHMENT, New Delhi

Keishampat Junction, Imphal

**REGISTRATION OPEN**

**REGULAR MEDICAL COURSE for NEET EXAM, 2017**

**Registration FORM alongwith PROSPECTUS available from the CAS office.**

**Class for 1st batch Commencing from 8th August, 2016**

**Contact : CAS Office, Main Building, Keishampat Junction & New Block, Keishampat Opposite CCpur Parking.**

**Hostel for BOYS & GIRLS Available**

HL-B/3236/ 3/8 - 2/10 (Alt)

**CERTIFICATE LOST**

I have lost my Original Certificate of HSSLC Examination, bearing Roll No. 885 of 2003 issued by COHSEM, on the way from my residence to Paona Bazar on 6/07/2016. Finders are requested to handover the same to the undersigned.

Sd/-
**K. MARINA**
Takyel Khongbal

HL-P/8738/9